## ইলেক্সনগী মাঙওইননা মীফম কৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
থা খরগী মতুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা কর্নাটকা এসেমব্লি ইলেক্সনগী মাঙওইননা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিকআর্জুন খর্গেনা কর্নাটকা ষ্টেটকী ওইনা লৈরিবা পার্টিগী সিনিয়র লিদরশিংগী ওইবা মীফম অমা ন্যু দেল্লিদা কৌখ্রে হায়রি।

ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিদগী কোংগ্রেস লুচিংবা ১৪ ঙসি ইলেক্সনগী মতাংদা খন্ননবগীদমক দেল্লিদা কৌখিবনি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা কর্নাটকা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট দি কে সিভকুমার অমসুং ষ্টেট লেজিসলেচর পার্টি লিদর সিদারামায়াসু য়াওরি। মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সনদা কোংগ্রেসনা চাওনা মায় পাক্নবগীদমক মতৌ করম্না কেম্পেইন চত্থগদগে হায়বগী মতাংদা লুচিংবশিংগী মীফম অদু কৌখিবনি। মীফম অদুদা প্রসিদেন্ট খর্গেনা পার্টি লিদরশিং অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্ননবা অমদি পার্টি অসিনা চাওনা মায় পাকপা ঙমহন্নবা ইন্সট্রক্সনশিং পীরবা য়ানা লৈ হায়রি।

## বেঙ্গল গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা বি জে পিনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

কোলকটা, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগী লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা গভর্ণমেন্ট স্কিমশিংগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা বি জে পিনা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগী কলিঘাটতা লৈবা ময়ুম মনাক নক্লা খোঙজং চঙশিনখ্রে হায়রি।

বি জে পিনা খোঙজং চঙশিনখিবা মফম অসি অবিসেক বেনর্জিগী ময়ুমগা য়াম্না নক্লনা লৈবা মফম অমনি। বি জে পিনা খোঙজং চঙশিনখিবা মতমদা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি অমসুং মহাক্কী মচানুপাশিং থোকপা টি এম সীগী এম পি ময়ুমদা লৈখিদে। অমরোমদা, বি জে পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট সুকান্তা মজুমদরনা ফোঙদোকখিবদা মমতা বেনর্জিগী স্কিমশিং অসি লন্নাই মীওই খরখক্তা কান্নবা পীগদবা স্কিমনি হায়রি।

# অগনিপথ ভোলুন্টরি স্কিম অমনি, মসিদা প্রোব্লেম লৈবশিংনা শরুক য়াদ্রবসু অকায়বা লৈতে ঃ হায় কোর্ট



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
সেন্টরনা থবক ফংদবা নহাশিংগী য়েংলগা হৌদোকখিবা অগনিপথ স্কিম অসি ভোলুন্টরি স্কিমনি। স্কিম অসিবু পামদবা নত্রগনা প্রোব্লেম লৈবা মীওইশিংনা অগনিপথতা য়াওদ্রবসু য়াই হায়না দেল্লি হায় কোর্টনা ফোঙদোরক্লি।

সেন্টরগী অগনিপথ স্কিমনা নহাশিংগী রাইট মাঙহন্নবা হোৎনরে হায়দুনা পিটিস্নর খরনা চেলেঞ্জ তৌরকখিবা অদুগী পাউখুম পীরদুনা দেল্লি হায় কোর্টনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা অগনিপথ স্কিমদা নহা খুদিংমক য়াওদবা য়াদে হায়বগী চৎনবী লৈতে। মসি ভোলুন্টরি স্কিম অমনি। স্কিম অসি আর্মি, নেভি অমসুং এয়র ফোর্সতা লৈবা অখণ্ড অহে কয়াগা তান্নরগা শেমখিবা স্কিমনি। মরম অদুনা কোর্টনা মসিগী মতাংদা খুৎ থিংজিন্নিংঙাই মরম ওইদে। গভর্ণমেন্টকী পোলিসি অমগী মখাদা পায়খৎলকখিবা স্কিম অসিনা নহাশিংগী রাইট মাঙহনবগী ৱাফম হৌজিক ফাওবগী ওইনদি থেংনদ্রি হায়না চীফ জষ্টিস সতিস চন্দ্র শর্ম্মা অমসুং জষ্টিস সুব্রমনিয়ম প্রসাদকী বেঞ্চ অসিনা ফোঙদোরক্লি।

বেঞ্চ অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অগনিপথ স্কিমনা নহাশিংগী রাইট মাঙহল্লে হায়রবদি মদুগী চপ চাবা খুদম পীবা মথৌ তায়। অগনিপথ স্কিমদা নহাশিংনা চহী ৪ থবক তৌবগী মতম পীরি। অদুবু মদুদা মহাক্লা থৌনা ফনা থবক তৌরবদি মখা তানা মহাক মতম শাংনা থবক তৌবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মরম অদুনা আর্মি ওইবা পাম্বা নহাশিংনা স্কিম অসিগী মখাদা আর্মি ওইনা থবক চঙবদা অকায়বা লৈতে। স্কিম অসিবু পামদবা মীওইশিংনা থবক চঙদ্রবসু য়াই হায়রি।

পনবা য়াবদি, অগনিপথ স্কিম চহী অসিগী জুন ১৪ দা হৌদোকখিবনি। স্কিম অসিগী মখাদা মশাগী চহী ১৭ মখায় শুরবা নহাশিংদগী হৌরগা চহী ২১ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহাশিংনা এপ্লাই তৌবা য়াগনি। স্কিম অসিগী মখাদা থবক তৌবা য়াগদৌরিবা মতমনা চহী ৪ নি। অগনিপথ স্কিমগী মখাদা খল্লবা অগনিবিরশিংগী চাদা ২৫ দি রিগ্যুলর সর্ভিসতা লৈবা য়াবগী খুদোংচাবসু পীরি। অদুবু স্কিম অসিগী মায়োক্তা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখ্রবা মতুং গভর্ণমেন্টনা রিক্রুটমেন্টগী চহী অসি ২৩ ফাওবা শাংদোরকখিবনি হায়রি।

# ‘বি জে পিনা মীয়ামগী ভোট পান্নকপা মতমদা লেম্না চেঙ য়েনবগী থবক চত্থরি’



মথুরা, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
বি জে পিনা ইলেক্সন মতম নকশিল্লক্লবা মতমদা মীয়ামগী ভোট ফংনবগীদমক লেম্না চেঙ য়েনবগী থবক চত্থরি হায়না সমাজৱাদি পার্টিগী চীফ অখিলেশ য়াদবনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা ভোট কাখ্রবা মতুংদা মীয়ামদা লেম্না য়েনখিবা চেঙশিং অদুগী মমল অমুক হন্না নমফুদা খোমগৎপগী থবক চত্থরি হায়নসু মরাল শীরক্লি।

অখিলেশ য়াদবনা হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিনা ভোট ফংনবগীদমক মীয়ামদা লেম্না চেঙ, থাও, থুম, আলু অমদি অতোপ্পা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েনবগী থবক চত্থরি। ভোট ফংলবা মতুং লেম্না চেঙ য়েনবগী থবকসু তোকখিগনি অমদি ভোটতা চঙখিবা শেনফমশিং মীয়ামদগী নমফুদা খোমগৎনবা হোৎনরক্কনি। মসি বি জে পিগী হৈনবীনি। মণিপুরী লোক সভা বাই পোলদা বি জে পিনা চাওনা মায়থিবা নঙখিবা অদু মীয়াম্না খঙলকপদগী পারা তন্বীখিবনি। বি জে পিগী মরুওইবা পোলিসিদি মখোয়গা নক্লবা মীওই খরবু মল্টি বিল্লিনিয়র ওইহনবা অদুগা লেমহৌরিবশিংবুনা খম থেংনা লাইরহনবনি। বি জে পিনা লৈবাক অসিদা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরিবা মীওই ফুরুপশিংগী মরক্তা শিঙচেপ থাজিন্দুনা অমগা অমগা নুংশিনহন্দনবা হোৎনরি। মসিগী মথক্তা পার্টি অসিনা লৈবাক অসিগী নহা কয়াদা থবক পীগনি হায়না থাজবা থমখিবশিং ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা লৈত্রি। নহাশিংগী ৱাখল্লোনদা বি জে পিনা ওৎ নৈবগী থবক চত্থরি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা থবক ফংদবা নহাশিংগী মশিং হেনগৎলকপগা লোয়নননা অরানবা লন্বীদা চৎখিনবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরক্লে হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখলদা বি জে পিবু মায়থিবা পীনবগীদমক ওপোজিসনদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং পুনশিন্দুনা থবক তৌবা হৌখ্রে। সমাজৱাদি পার্টিগী ওইনসু বি জে পি মায়থিবা পীনবা হোৎনবদা পাঙবা য়াবা মতেং পাঙগনি হায়রি।

# বিরভুম ভাইওলেন্সকী একুইজ প্রোব এজেন্সী সী বি আইগী কষ্টদিদা লৈখিদ্রে



কোলকটা, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বিরভুম দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা বোকতুই ভিলেজদা মীওই ১০ হাৎপদা চেন্নবগীদমক সী বি আইগী কষ্টদিদা থল্লকখিবা মেইন একুইজ অমা মশা মতোমতা শিজরল্লে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা সৈখ জরখন্দগী পাকুর এরিয়াদগী পুলিসনা ফাবা ঙমখিবনি। নুপী অমসুং অঙাং য়াওনা মীওই ১০ হিংনা মৈ থাদুনা হাৎপগী থৌদোক্তা চেন্নবগীদমক মহাকপু পুলিসনা ফারবা মতুং সী বি আইনা ৱাহং পাউহং চত্থদুনা লাকখিবনি। সী বি আইগী কষ্টদিদা লালোন সৈখ মশা মতোমতা শিজরল্লে হায়না সী বি আইগী মায়কৈদগী পাউ পীরক্লবা মতুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং সী বি আইগী ওফিসতা চঙশিনখিবগা লোয়নননা ললোন সৈখকী অশিবা হকচাং পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগীদমক রামপুরহট মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা পুখ্রে। মহাক মতৌ করম্না শিরমখিবনো হায়বা হৌজিক কমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি। পনবা য়াবদি, চহী অসিগী মার্চ ২১ দা বোকতুইদা থোকখিবা থৌদোক অমদা লালোন সৈখনা নুপী অমসুং অঙাং য়াওনা মীওই ১০ হিংনা মৈ থাদুনা হাৎখিবনি। মদুগী মতুং মহাক থা অসিগী ৪ দা সী বি আইনা ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

# এম এল এ চোঙথোক চোঙশিন তৌরবসু এ এ পিবু নেসনল পার্টিগী ষ্টেটসতা শোয়দনা শকখঙলগনি ঃ এক্সপার্ট



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা গুজরাট এসেমব্লি ইলেক্সনগী ফল লাউথোরকপদা এ এ পিনা সিট ৫ খক্তদা মায় পাকপা ঙমখ্রবা মতুং এ এ পিগী নৌনা এম এল এ ওইনা কারক্লবশিং চোঙথোক চোঙশিন তৌরবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরখ্রবা মতুং এম এল এশিং চোঙথোক চোঙশিন তৌবনা এ এ পিবু নেসনল পার্টিগী মিংথোন ফংবদা অয়েৎপা পীবা লৈরোই হায়না ইলেক্সন কম্মিসনগী হান্নগী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইলেক্সন কম্মিসনগী হান্নগী মকোক থোংবা ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না পার্টি অমা নেসনল পার্টিগী থাক্তা শকখঙনবা হোৎনবদা পার্টি অদু য়ামদ্রবদা ষ্টেট ৪ দা ষ্টেট পার্টি ষ্টেটস ফংবা মথৌ তায়। আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংবা পার্টি অসি দেল্লিদা ষ্টেট পার্টি ওইনা শকখঙখ্রে। চপ মান্ননা গৌৱা অমসুং পঞ্জাবতসু ষ্টেট পার্টি ওইনা শকখঙখ্রে। গুজরাটকী ওইনসু অথুবা মতমদা ষ্টেট পার্টি ওইনা লাউথোক্লবা য়ানা লৈরি। মরম অদুনা এম এল এ চোঙথোক চোঙশিন তৌবনা এ এ পিবু নেসনল পার্টি অমা ওইনা শকখঙবদা অকায়বা পীবা তৌরোই হায়রি।

গুজরাটতা হন্দক সিট ১৮২ গী ওইনা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা এ এ পিনা সিট ১৮১ দা কন্টেষ্ট তৌখি। মদুগী মনুংদা এ এ পিনা সিট ৫ দা মায় পাকখি। হায়রিবা অসি অপুনবা ভোট মশিংগী চাদা ১৩ ফংবা ঙমখি হায়বনি। পার্টি অমবু ষ্টেট পার্টিগী থাক্তা রিকোগনাইজ তৌনবা হোৎনবদা য়ামদ্রবদা অপুনবা ভোট মশিংগী মনুংদা চাদা ৮ ফংবা মথৌ তায়। অদুবু এ এ পিগী ওইনদি হায়রিবা অসিদগী হেন্দোক্লা ফংলৈ। মরম অদুনা পার্টি অসি অথুবা মতমদা নেসনল পার্টি অমা ওইনা শোয়দনমক্কী শকখঙলগনি হায়না ইলেক্টোরেল লোগী এক্সপার্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## কার অমা গুহাদা তাশিনবদগী ইমুং অমগী মীওই মরি শিরে

কানকর, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
ছতিসগর কানকর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা মফম অমদা লৈবা গুহা অমদা কার অমা তাশিনখিবগী থৌদোক্তা কার অদুদা তোঙলকখিবা ইমুং অমগী মীওই ৪ ইরাক্লদুনা শিখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

বাষ্টর রেঞ্জকী ইন্সপেক্টর জেনরল ওফ পুলিস সুন্দরাজ পিনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা লাইবক থিবা থৌদোক অসি কানকর পুলিস ষ্টেসনগী কাউন্টর টেরোরিজম এন্দ জঙ্গল ৱারফেয়র কোলেজ মনাক্তা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি তাপল সরকার (৫৭), রিতা সরকার (৫০) অমদি য়ুমথংনরিবা ষ্টেট ওরিক্ষাদগী বিশ্বজিৎ অধিকারি (৪২) অমসুং হজারি লাল দালি (৬৭) নি। ভিক্টিমশিং অসি কানকরদা লুহোংবগী থৌরম অমা য়াওরুরবা মতুং হল্লকপগী লন্বীদা মখোয়না থোরকখিবা কার অদু কন্ট্রোল তৌবা ঙমহৌদবদগী গুৱাহা তাশিনখিবনি। অদুবু মখোয় মরিমক কার অদুদগী থৌরকপা ঙমদনা ইরাক্লদুনা শিখিবনি হায়রি।

## রেগিং কেসতা চেন্নবা মহৈরোয় ৪৪ ফাইন থিহনখ্রে

হাল্দৱানি, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
উট্টরখন্দদা লৈবা গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজ অমদা মহৈ তম্লিবা মেদিকেল ষ্টুদেন্টস ৪৪ না মখোয়গী জুনিয়রশিং রেগিং তৌরম্বগীদমক ফাইন থিহনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল অরুন জোসিনা ফোঙদোকখিবদা রেগিংগী থৌদোক অসি থা অসিগী ৯ দা থোকখিবনি। নুমিৎ অদুদমক্তদা রেগিং ভিক্টিম অমনা মঙোনদা কমপ্লেন তৌরকপদগী থৌদোক অদুগী মতাংদা খঙবা ঙমখিবনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মহৈরোয় অমা হোষ্টেলদগী তান্থোকখিবগা লোয়নননা লুপা ৫০,০০০ ফাইন থিহনখ্রে। অদুগা অতোপ্পা ৪৩ অদুনা লুপা ২৫,০০০ /২৫,০০০ ফাইন থিহনখ্রে। মখোয় ৪৪ গী মথক্তা লোগী ওইবা এক্সনশিংসু লৌখৎকনি হায়রি।

# লাইন ওফ একচুএল কন্ট্রোল পরিংদা লান্মীশিং উংখৎনবগী থৌদোক থোকখ্রে



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
অরুনাচল প্রদেশকী লাইন ওফ একচুএল কন্ট্রোল (এল এ সী) পরিংদা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ইন্দিয়া অমসুং চাইনিজ ট্রুপশিংগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক অমা থোকখ্রে হায়না গভর্ণমেন্টগী ওইবা সোর্স অমনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক অসি থা অসিগী ৯ দা থোকখিবনি। মদুদা নাকল অনীমক্কী ওইনা মাইনর ইঞ্জুরিশিং পর্সনল খরদা থোকখি। নাকল অনী উংখৎনখ্রবা মতুং খুদক্তা এল এ সীগী শরুক্তগী মিলিটরিশিং লৌথোক্লখি। থৌদোক অদু অরুনাচল প্রদেশকী তৱাং সেক্টরদা থোকখিবনি। চাইনিজ ট্রুপশিংনা এল এ সীগী শরুক্তা অরানবা মওংদা লানশিল্লক্লবা হোৎনরকপদগী ইন্দিয়ন আর্মিশিংনা থিংনবা হোৎনরুবদা পামদবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। ইষ্টর্ন লাদাখতা থোকখিবা লৈবাক অনীগী মিলিটরি মশেন উংখৎনবগী থৌদোক অদুগী মতুংদা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা থোক্লিবা থৌদোক অসিনা নাকল অনীগী মরক্তা থোকখিবা অহানবা উংখৎনবগী থৌদোকনি। হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী জুন থাদা গালৱান ভেলিদা চাইনিজ অমসুং ইন্দিয়ন আর্মিগী মরক্তা উংখৎনরকপদগী অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা ইন্দিয়ন আর্মি ২০ হেন্না মরৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখি। অদুগা চাইনিজ লান্মী ৪০ রোম খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদুদা শিবা অমদি অশোক অপন থোক্লম্বা য়াই হায়বগী রিপোর্ট লৈ। লৈবাক অনীগী মিলিটরিগী মরক্তা থোকখিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা এল এ সীগী শরুক নক্লা দিপ্লোই তৌদুনা থম্নরিবা আর্মদ পর্সনলশিং লৌথোকপা হায়না নাকল অনীমক্লা য়ানখিবনি। ইন্দিয়া অমসুং চাইনিজ ট্রুপকী মকোক থোংবা মিলিটরি কম্মান্দরশিংনা হঞ্জিন হঞ্জিন উন্নদুনা ৱারী শান্নরবা মতুং য়ানবা খরা পুরকখিবগা লোয়নননা লদাখকী গোগ্রা-হোট স্প্রিং শরুক্তগীসু লান্মীশিং লৌথোক্লখি। লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক অসি হৌখিবা কুমজা ২০০৬ তগী হৌরকখিবনি। অরুনাচল প্রদেশকী শরুক খরা চাইনানা মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী চাং হেনগৎলকখিবনি হায়রি।

# মফম খঙদনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ৪ শোকখ্রে, এম এল এগী মচাদা তাইনরক্লি

পাটনা, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
বিহারগী ভাগলপুর এরিয়াদা লমগী ৱাহৌগা মরী লৈননা থোকখিবা উংখৎনবগী থৌদোক অমদা মফম খঙদনা নোংমৈ কাপথোরকপদগী মীওই ৪ শোকখ্রে। অমরোমদা ভিক্টিমশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না নোংমৈ অদু জে দি (য়ু) গী এম এল এ অমগী মচানুপানা কাপখিবনি হায়না মরাল শীরক্লি।

গোপালপুরগী এম এল এ নরেন্দ্র কুমার নিরজনা মহাক্কী মচানুপাদা শীরক্লিবা মরাল অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা থৌদোক থোকফম অদুদা মী খরা ফুন্নরে হায়বগী পাউ ফংলবা মতুং মহাক্কী মচানুপা মফম অদুদা চঙশিনখিবনি। মসিদা মহাক্কী মচানুপানা নোংমৈ কাপখি হায়বসি অরানবা ৱাফমনি হায়রি।

অমরোমদা, ভিক্টিমগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোকখিবদা জে দি (য়ু) গী এম এল এ নরেন্দ্র কুমারগী মচানুপা অসিশ এলাইজ তিংকুনা মীওই ২৫ রোম লোয়নরগা ভাগলপুরগী বারারি এরিয়াদা লাকখি। মফম অদুদা লমগী ৱাহৌগা মরী লৈননা উংখৎনরকপদগী অসিশনা নোংমৈ কাপথোরকখিবনি। মদুদা লম অদুগী মপু লাল বহাদুর সিংহগী লোয়নবী মাধুরি, মখোয়গী মচানুপা বির বহাদুর অমসুং মহাক্কী মমান্নবা শরত এলাইস রবি য়াওনা মখোয় ৪ শোকখিবনি হায়রি। অশোকপশিং হৌজিক খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

# ত্রিনামুলগী নেসনল স্পোক্সপর্সন সকেট ফাখিবগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসনরগা উন্নখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী নেসনল স্পোক্সপর্সন সাকেট গোখলে গুজরাট পুলিসনা ফাখিবা অদুগা মরী লৈননা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী মীওই ৫ না শাবা পার্লিয়ামেন্টরি দিলিগেসন টিম অমনা ঙসি চীফ ইলেক্সন কম্মিসনরগা উন্নদুনা ৱারী শানখিবগা লোয়নননা মহাকপু ফাজিনখিবা অদুগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

দিলিগেসন টিম অদুনা চীফ ইলেক্সন কম্মিসনরদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না পার্টি অসিগী নেসনল স্পোক্সপর্সন গুজরাট পুলিসনা ফাজিন্দুনা ওৎ নৈবগী থবক চত্থরি। মসি মীওইবগী রাইটতা চাওনা শীংনবনি। গুজরাট পুলিসনা সকেট গোখলে ফাবা মতমদা চপ চাবা মরম পীখিদে। অদুবু মোদেল কোর্ট ওফ কন্দক্টকী মখাদা মহাকপু ফাজিনখিবনি।

অমরোমদা, সকেট গোখলেগী মথক্তা শীরক্লিবা মরালশিং অসি য়ুম্ফম য়াওদবা ঙাক্তনি। মহাকপু অতম্মনা ওৎ নৈগে হায়বগী ৱাখল্লোনদা ফাখিবা ওইরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ। মসি হরাসমেন্টগী কেস অমনি হায়না টি এম সীগী এম পি সৌগাতা রেনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা কম্যুনেল ওইবা ৱাফম ফোঙদোকখিবা মতমদদি তুমিন্না লৈশিনখি হায়নসু পেন্দবা ফোঙদোকখি।

# কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১৫৯ থেংনখি



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১৫৯ থেংনখিবগা লোয়নননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই অমত্তা শিহনখিদে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১৫৯ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৭৪,৯৮১ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৩৯০৬ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই অমত্তা শিহনখিদবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৬৫৮ দা লেঙদনা লৈরি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮০ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়নননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি। লোয়নননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইন্দিয়াগী অপুনবা মীশিং ক্রোর ২১৯.৯৭ কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন কাপথোকখ্রে হায়রি।

## য়েরুম ৪,০০০ পুদুনা চেনখ্রে

গ্বালিয়র, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
মধ্য প্রদেশকী গ্বালিয়রদা লৈবা ইন্দিয়ন ইয়র ফোর্সকী মেসতা শীজিন্নবা য়েরুম ৪,০০০ ওটো রিক্সো দ্রাইভর অমনা পুদুনা চেনখ্রে হায়না পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মোরার পুলিস ষ্টেসনগী এদিসনল এস পি রাজেস দন্দোতিয়ানা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী মেস সপ্লাইয়র অমনা ওটো রিক্সো অমদা য়েরুম ৪,০০০ হাপ্তুনা আই এ এফকী কেম্পদা চৎনবা ওর্দর তৌখি। লন্বীদা সপ্লাইয়র অসিনা অতোপ্পা গাড়ী অমদা মনা মশিং হাপলিঙৈ মতমদা য়েরুম হাপ্পা ওটো রিক্সো অদু মফম অদুদগী থৌরগা চৎখিবনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা সপ্লাইয়র অসিনা মোরার পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন তৌরক্লবা মতুং থৌদোকসিদা চেন্নরিবা দ্রাইভর ফানবা থিহুন্বগী থবক চত্থবা হৌখ্রে হায়রি।

# চহী অসিগী ওইনা দেল্লিদা দেঙ্গীগী কেস ৩,৮০০ রোম থেঙনখি, মীওই ২৩ শিহনখি ঃ রিপোর্ট



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী) :
চৎলিবা থা অসি খক্তদা দেল্লিদা দেঙ্গীগী কেস ২৬০ হেন্না থেঙনখিবগা লোয়নননা চহী অসি হৌরকপদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা ভেক্টর বোর্ন দিজিজ অসিগী কেস মশিং ৩,৮০০ রোম থেঙনখি হায়না সিভিক রিপোর্ট অমনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না চহী অসিগী নভেম্বর থাদা দেল্লিদা দেঙ্গীগী কেস ১৪২০ থেঙনখি। অদুগা ওক্টোবর থাদনা ১২৩৮ থেঙনখি। দিসেম্বর ২ ফাওবদা নেসনল কেপিটেল অসিদা দেঙ্গিনা ইনফেক্ট তৌখিবা মী মশিং ৩৫৯৫ ওইখি। মদুগী মতুং দিসেম্বর ৯ ফাওবদা দেঙ্গীগী অনৌবা কেস ২৬২ থেঙনখ্রে। সিটি অসিদা মালেরিয়াগী কেস ২৪১ অমসুং চিকন গুনিয়াগী কেস ৪৪ সু থেঙনখি হায়না ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দেল্লিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা থেঙনখিবা অপুনবা কেস মশিং ৩৮৫৭ কী মনুংদা ৬৯৩ না চহী অসিগী সেপ্তেম্বর থাদা থেঙনখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তা সিটি অসিদা দেঙ্গীগী কেস ৪৭০৪ থেঙনখি হায়রি।

ভেক্টর বোর্ন দিজিজ মখল অসিনা মরম ওইরগা মমাঙ চহীদা সিটি অসিদা মীওই অমত্তা শিহনবগী রিপোর্ট লৈখিদে। অদুম ওইনমক হন্দক চহীগী ওইনা দেঙ্গিনা মরম ওইরগা মীওই ২৩ শিহনখি। হৌখিবা কুমজা ১৯৯৬ তা সিটি অসিদা দেঙ্গীগী কেস মশিং খ্বাইদগী হেন্না থেঙনখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৫ দা সিটি অসিদা দেঙ্গীগী কেস ১০,৬০০ থেঙনখি। এম সী দিগী রিপোর্ট মতুংইন্না সিটি অসিদা চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদা দেঙ্গীগী কেস মশিং ২৩ থেঙনখি। মদুগী মতুং ফেব্রুৱারী থাদা ১৬, মার্চ থাদা ২২, এপ্রিল থাদা ২০, মে থাদা ৩০, জুন থাদা ৩২, জুলাই থাদা ২৬ অমসুং ওগষ্ট থাদা ৭৫ দা হেনগৎলকখিবনি হায়রি। জুলাই অমসুং নভেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা ভেক্টর বোর্ন দিজিজকী কেসশিং মরুওইনা দেঙ্গি অমসুং মালেরিয়া শন্দোকপগী চাং অসি য়াম্না ৱাংই হায়রি।